ছুইয়েন লানপাউ
নোংমাইজিংগী অখন্নবা চেফোঙ
Issue No. 134
Sunday, 2nd October, 2016

## নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা

# ন্যুক্লিয়র টেষ্ট



হৌজিক ফাওবগী ওইনা নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী মতীক ময়াই লৈবা খুৎলাইনি হায়না লৌনবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী নৌবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী চাংয়েং হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা (সেপ্টেম্বর ৯ দা) পাঙথোকখ্রে। নোর্থ কোরিয়ানা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না খ্বাইদগী নৌবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অসিনা অহোংবা কয়া লাকহল্লগনি হায়রি।

তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্টগী থবকশিংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা নৎত্রগা উৎপা নৎত্রগা মপান্দগী থিজিনবনচিংবা অমত্তা য়াহন্দ্রিবা অহুমশুবা জেনরেসনগী দিক্টেটর অমনা হাই হুমদুনা পানবা ওথোরিটরিয়ন ষ্টেট পিয়োংয়াংগী পাউদমবুদি হান্নদগী তৌদুন লাকপগুম চপ চানা থাজনিংঙাই ওইদবা হায়বদি চিংনবা য়াবগী মরম খরদি লৈ হায়না লৌনৈ। ন্যুক্লিয়র দিভলপমেন্টদা মরু ওইবা থাক অমা য়ৌনা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্লে হায়না পিয়োংয়াংগী রেজিমনা মখৌ পোংনা ক্লেম তৌরিবসি খরবুদি হেঞ্জিনবা ৱাফমনি হায়না লৌবা তারবসু মখোয়গী ক্লেম অদুদা য়াওরিবা মচাকশিং অদুনা লৈবাক অসিনা এটোমিক খুৎলাইশিংগী মরমদা হোৎনরিবশিং অদু করি করম্বা মায়ওনদা চৎপা য়াই হায়বগী চাউরাকপা ঈঙ্গিৎতি পীরি।

থাংজ নুমিৎতা সাউথ কোরিয়াগী কেপিটেল সিওলদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা সাউথ ফোরেন মিনিষ্টর য়ুন ব্যুং-সেনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা য়াম্না থুনা প্রোগ্রেস লৈখিবগা লোয়নননা ইরাই নুমিৎকী চাংয়েং অদুনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র কেপাসিটি শিংথানিংঙাই ওইবা থাক য়ৌখ্রে হায়বা উৎলি।

তশেংনমক নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা চাংয়েং অসিনা অচৌবা ৱাহং কয়া লাকহল্লে, ৱাহংশিং অদুগী মনুংদা চাংয়েং অসিগা লোয়নননা নোর্থ কোরিয়ানা হৌজিক করি পান্দম ফংবা ঙল্লবগে হায়বসি য়াওরি।

৫সুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েংনা করি পান্দম ফংহল্লবগে ?

নোর্থ কোরিয়াগী মঙাসুবা (খ্বাইদগী নৌবা) ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অসি অচম্বা চাংয়েং



নত্তে, তৌইগুম্বসুং ৱারহেদ অমা ষ্টেন্দরাইজ তৌরগা চত্থবা চাংয়েংনি হায়রি। অসিগুম্বা ষ্টেন্দরাইজেসন অসিনা অপাম্বা মতমদা ষ্ট্রাইককী পৱারনা হান্নদগী হেন্না ৱাংবা মখল-মখা কয়াগী খরা পীকপা, হেন্না য়াংবা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিং শাবা নৎত্রগা পুথোকপা ঙমহল্লগনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা হায়রি। মসিনা নোর্থ কোরিয়াগী বলিষ্টিক রোকেটশিংদা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিং হাপ্পগী টেক্নোলোজিগী থাক ৱাংখৎহনখ্রে হায়না রেজিমনা ক্লেম তৌরি। মসিনা নোর্থ কোরিয়াবু পীকশিনহল্লবা ৱারহেদশিং ইকোম কোম্না শাবা ঙম্লগনি, খুৎলাইশিংসু মশিং য়াম্না পুথোকপা ঙম্বগা লোয়নননা বলিষ্টিক মিসাইলশিংদা দিপ্লোই তৌবা য়ারগনি হায়না থাজহল্লি।


মসিমক ওইবা তারবদি পিয়োংয়াংনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিংগী য়ুনিফাইদ দিজাইন অমা দিভলপ তৌরে হায়না লৌগনি। য়ুনিফাইদ দিজাইন অদু স্কদশিং, ময়ায় ওইরপ শানবা রোদোং অমসুং মুসুদন মিসাইলশিং অমসুং সবমেরিনদগী কাপ্পা য়াবা মিসাইলশিং য়াওনা মখল-মখা কয়াগী বলিষ্টিক মিসাইলশিংদা প্রোব্লেম অমত্তা লৈতনা শিজিন্নবা য়াগনি হায়রি।

ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী য়ুনিফাইদ দিজাইনগা নোর্থ কোরিয়ন সাইন্টিষ্টশিংনা মমাঙগী চাংয়েং মরিদগী খঙলকখিবশিংগা চূশিন্নবা তারবদি লৈবাক অসি হৌজিক এসিয়াগী য়ুল্লোন্নবা লৈবাকশিংদা এটেক তৌবা ঙমগদৌবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং লৈরম্বা য়াই হায়না সাউথ কোরিয়াগী ক্যুং হী য়ুনিভর্সিটিগী ন্যুক্লিয়র এক্সপার্ট ৱাং জু- হোনা হায়খি। ৱাশিংটনদা লৈবা আর্মস কন্ট্রোল এসোসিএসনগী ইগজিক্যুটিভ, দিরেক্টর দেরিল কিম্বালনসু মান্নবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা নোর্থ কোরিয়া অসি হৌজিক সোর্ট রেঞ্জগী বলিষ্টিক মিসাইলশিংদা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ অমা হাপচিনবা ঙম্বগী থাক্তা নৎত্রগা মসিগী ময়া নক্না লৈরে হায়রি। ন্যুক্লিয়র টেষ্ট এক্সপ্লোজন মঙাগী তুংশিল্লকপা নোলেজ অমসুং বলিষ্টিক মিসাইলশিংগী চাংয়েংগী নোলেজগা লোয়নননা মরু ওইনা হৌখিবা থা ১২ অসিদা পাঙথোকখিবা য়াম্লবা চাংয়েংশিংগী নোলেজ অদুনা মখোয়গী টেক্নিকেলগী মীওইশিংবু মখোয়গী বলিষ্টিক মিসাইলশিংদা ৱারহেদশিং দিপ্লোই তৌবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা হেন্না পোকহল্লি। ঙসি ঙসিমক মখোয়দা মদুগী তৌবা ঙম্বদু লৈত্রিবা ওইরবসু মখোয় য়াম্না থুনা মখা তানা ন্যুক্লিয়র টেষ্ট এক্সপ্লোজনশিং অমসুং বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোকপগা লোয়নননা কেপেবিলিটি অদু লৈরগনি হায়না দেরিল কিমবোলনা হায়রি।

সিওলদা সাউথ কোরিয়ন ওথোরিটিশিংনা হায়খি মদুদি মেগনিচ্যুদ ৫.০ ফাওবগী চাংদা নীকহনখিবা সাইজমিক্কী থৌদোক অদু নোর্থ কোরিয়াগী মমাঙগী ন্যুক্লিয়র চাংয়েং মরিদা নীকহনখিবা চাংশিং অদুদগী য়াম্না হেনখি। খুদম ওইনা কুমজা ২০০৬ তা নোর্থ কোরিয়াগী অহানবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবা মতমদা মেগনিচ্যুদ ৩.৯ গী খুৎশেমগী সাইজমিক ঈথকশিং থাদোকখি। চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা মরিশুবা চাংয়েংদসু ৪.৮ গী সাইজমিক ঈথকশিং থাদোকখি।



খ্বাইদগী নৌবা ব্লাষ্ট অদুগী এক্সপ্লোসিভ য়িল্ড অদু কিলোটন ১০ দগী ১২ ফাওবা ওইগনি হায়বদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কুমজা ১৯৪৫ দা জপানগী সিটি হিরোসিমাদা থাদখিবা কিলোটন ১৫ গী এটোমিক বোম অদুগী ফোর্সকী চাদা ৭০ দগী ৮০ ওইগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী ৱেদর এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।



# চয়োলসিগী রাশিনা করি নোংদম্লি

মণিরোত্তোন খিংবাইজম, জ্যোতিষ শাস্ত্রী



**মেষ :** পুক্লিং তপথবা লৈগনি, অনৌবা পোৎ-চৈ লেপ্পা ঙমগনি, চাউখৎপা, ইশাগী থবক তৌজবদা ময়াম্না শক খঙবীবা, হান্নগী অয়েৎপা লৈরম্বা থবকশিং ফগৎপা লাক্লগনি, মীয়ামগী থবক তৌবদা অফবা মহয় লৈ, নহাশিংগীদি পুক্লিং লাংতক্লবা লৈবা, হকচাংদা শোন্থবা, মহৈ-মশিনদা ফগৎপা ওইগনি, পুক্লিং তপ্পা থবক তৌবীবা ফৈ।



**বৃষ :** মীয়ামনা নুংশিবীবা, মচাক মরল চাউখৎপা লাকপা, ইচা-ইশুগী ৱাখলদা পুক্লিং লাংতক্লবা পোল্লকপা, লম কোইনিংবা ফাওরকপা, থবাক্তা, খ্বাঙদা নুংঙাইরক্তবা লাকপগী ফল লৈ। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংগী ওইনদি তৌজরুবা থবক্তা মায় পাকপা মতাংনি, অনৌবা থবক পায়বা কান্নগনি, মহৈরোয়শিংগীসু তৌজরুবা থবক্তা অফবা মহয় পীবা মতম ওইরি কন্না হোৎনবা মহয় য়ানবা লৈ।



**মিথুন :** অৱা-নুংঙাই য়ান্নগনি, ইমুং-মনুংদা চরাংনবা পীরকপগী ফল লৈ, ইমুং মনুংদা অনা-অয়েক পীরকপা ওইগনি অমসুং পোৎ-চৈ লেপ্পা ঙম্বদি পীরি। মীঙোন্দা থাজবা থম্বা মাঙজবা ওইগনি। অনৌবা থবক ইনখাং হৌবা পাংদে, মহৈ-মশিন তম্বশিংগীদি পুক্লিং চঙবা ৱাৎকনি, ৱাখল ফাথরগা থবক তৌবা কান্নজগনি।



**কর্কট :** ময়ামগী থবক্তা য়াওনিংলকপা, অরাপ্পা লমদা চৎপা, ইমুং-মনুং নুংঙাইজবা, পুক্তা অনা-অয়েক ফূদোরকপা, নুপী ওইবীশিংগীদি ইমুং-মনুং মহী লাংবা লৈ। থবক তৌবশিংগীদি মফম হোংবা পীবা হান্না লৈরম্বা অপনবশিং খরা ফরক্কনি, অনৌবা থবক্তা কান্নজগনি, নহা ওইবশিংগীদি কা হেন্না থাজবা থম্বা য়াদ্রি, অয়েৎপা পীরকপগী মহয় লৈ। অরেম্বদা মতম মাঙহনবা ফত্তে, পুক্লিং তপথবীয়ু।



**সিংহ :** মচেক-ময়া পানবদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা, শাউহনবা, মুক্লবা লাকপা, ৱাখল চরাংনবা লৈবা অরাপ্পা মফমদা থবক্কী চৎপা, ইমুংগী মথক থোংবদা অনা-অয়েক পীরকপা ওইবগী মহয় লৈ। চাবা-থকপদা খরা চেকশিনবীয়ু, নহা ওইবশিংগীদি মমা-মপাগা শাউনবা লৈ, মহৈরোয়শিংগীদি চাউখৎপা লৈগনি, ইগজামগী কন্না হোৎনজবদা অফবা মহয় লৈ।



**কন্যা :** ইমুংগী মখা থাবা মীওইগা লোয়নবদা অয়েৎপা লাকপা, মীগী থবক্লা খোয়শাউনবা ওইবা লৈগনি, শরূ, মীৎতা নুংঙাইরোই, শেল চৎপা ৱাংগনি, লাকপগী মমি লৈ। অচৌবা মীনা চানবীবা লৈগনি, থবক্কী হায়জ-চৎচবদা কান্নজগনি, শান্নরোয়শিংগীদি কান্নজগনি, নহা ওইবশিংগীদি লোয়নবগা মুক্লবা লৈগনি, পুক্লিং ফাথবীয়ু, লমদা চৎপদা অফবা মহয় লৈগনি।



**তুলা :** অশাউবা মাঙওইনগনি, মরী মতাগী নুংঙাইতবা পাউ তাগনি, য়াম্না লোয়নবা অনকপা মীনা য়েংথিবা লাক্কনি, থবক অমা তৌবদা মীনা খুরৌ থাংবা লৈগনি, মমিং চৎপা মতাংনি, মী লোয়নবদা তপথনা চৎপা ফৈ। নহাশিংগী ওইনদি মহৈ-মশিনদা পুক্লিং লূপ্পা ৱাৎকনি, ৱাখল লাংগনি থবক অমা তৌবদা অনীরক হনবগী ফীভমদা লৈ, খন্থবা ফৈ।



**বৃশ্চিক :** কান্নজবা, লৌরি-য়ুস্ফম লেপ্পা ঙমজবা, ইমুংদা নুংঙাইজবা থৌদোক থোকপা পীরকপা, শেল চৎনবগী মরম অমা হেক্তা লাকপা ওইরি, তিন্নবা লোয়নবা মরূপ-মপাংগা শাউনবা পীরকপা লৈগনি। নহারোলশিংগী ওইনদি কন্না হোৎনবা মায় পাকপগী মহয় লৈ নৎত্রগদি লাইবক ৱাৎপা মতমনি, ইচাগী থবক্তা নুংঙাইজবা, অনৌবা পাউ তাবা লাক্কনি।



**ধনু :** ৱাখল ইতাও তাওবা মতাংনি, হকচাংদা নুংঙাইতবা য়াম্বা, ময়ামগী থবক তৌবদা ইশাগী শেল ময়েং তাগনি, থবক তৌবশিংগীদি খুরৌ থাংবা মতাংনি, ইচা-ইমৌগী নুংঙাইবা পাউ লৈগনি, ইচাক ইরল চৎপা মতাংনি, পুক্লিং ফাথবীয়ু, নহাশিংগী ওইনদি চাউখৎপা থবক্তা ঙমজবা মতমনি, অনিংবা লৈরবদি হোৎনবদা কান্নগনি।



**মকর :** নক্লবা মীনা লাই শাবা ওইরি, অৱাবা নুংঙাইবা য়ান্নবা মতমনি, ৱাখল লৈতাফম খঙদবা, হকচাং শোন্থবা, ইমুং-মনুংদা খোয়রাং খোয়শাওনবা, মরূপ-মপাং লোয়নবা মীগা শাউনবা নিঙাই-শংদানবা লৈগনি, নহাশিংগী ওইনসু পাংদবা মতমনি, হোৎনবদা মহয় লৈগনি, শাগৈ-নাতৈগী মীনা য়েংশিনবা মতাংনি, পুক্লিং ফাথবীয়ু, নুপীশিংগী হায়জ-চৎচবদা কান্নজগনি।



**কুম্ভ :** মীনা নুংশিবীবা, মচাক মরল কান্নজবা, তৌজরুবা থবক্তা চাউখৎপা লৈগনি, হকচাং নুংঙাইগনি, য়েক্লবশিংদগী কান্নজবা ফংবা, লমদা চৎপগী মহয় লৈ। নহা ওইবশিংগীদি কান্নজবা মতমনি, য়ুম লেপ্পা, য়ুম-কৈ পানবগী থৌরাং চখ্রজবদা কান্নজগনি, নুপী ওইবীশিংগী ওইনদি সনা-লুপা লেপ্পদা কান্নজগনি।



**মীন :** অনৌবা থবক্তা অয়েৎপা লাকপা, শেল চৎপা লৈগনি, ৱাখল খন্থরগা তৌবনা কান্নজগনি, লমদা চৎপগী মহয় লৈ, নুপী ওইবীশিংগীদি ইমুংদা শাউনবা লৈগনি, নহাশিংগী ওইনসু শান্ন-খোৎনবদা কান্নজবা লৈগনি, খঙহৌদনা অনা-অয়েক, কোক্তা খ্বাঙদা নুংঙাইতবা পীরকপা য়াই, খরা চেকশিনবীয়ু, নুপী ওইবীশিংগীদি খোয়শাওনবা মতম ওইরি।

# সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি



## থূপচিনবা য়াবা স্মার্টফোন মানবা নোংমৈ



বেরেল অনী পানবা থূপচিল্লগা স্মার্টফোন মানবা হেন্দগন অমনা পুলিসপু কোক চিকহনবা হৌখ্রে। মিন্নেসোটাগী ষ্টার্টঅপ আইদিয়ল কনসিলনা দিভলপ তৌবা পিষ্টল অদু স্কৱারগী মওংদা খুবাকমুক পাক্লা থূপচিনবা য়াই। 'মফম খুদিংমক্তা স্মার্টফোন ঙাক্তা ঙায়নরে, মরম অদুনা নহাক্কী অনৌবা পিষ্টল অদু ঙসিগী ইনভাইরোনমেন্ট অসিদা ইরায় লায়না চূশিন্নখিগনি' হায়না আইদিয়ল কনসিলনা মসিগী ৱেবপেজদা এক্সপ্লেন তৌরি। 'মসি লোক তৌবা মতমদা খঙবা ঙমদে মরমদি ইচম চম্না উবা মতমদা লোৎতুনা লৈ, নোংমৈনি হায়বা খঙবা ঙমদে।'

নোংমৈ অসি বেগ অমদা নৎত্রগা পর্স অমদা ইকোম কোম্না হাপ্লগা সেফ ওইনা পুবা য়াই নৎত্রগা মোবাইল থেৎপগুম খ্বাঙগী নাকলদা থেৎপা য়াই হায়না কম্পেনিনা মখা তাখি। অদুম ওইনমক, নোংমৈ অদু য়েংবদা স্মার্টফোন মানবদুনা পুলিস ওফিসরশিংবু কোক শাহল্লে হায়রি।

হেক য়েংবদা খুৎলাই অমা ওইবগী মশক লোৎপা হায়বসি তরাই-তরাইনা লৌবা য়াদে হায়না য়ু এসকী নেসনেল এসোসিএসন ওফ পুলিস ওর্গনাইজেসনগী ইগজিক্যুটিভ দিরেক্টর বিল জোন্সন্না হায়খি।



## চনম অমসূং য়েরুম য়াওবা ফ্রাইদ রাইস



**চংগদবা মচল :** চঙগদবা মচাকশিংদি - থাউ চামচ ২, য়েরুম ১, নিংথিনা নৈখাইগনি। তকখায়রবা শিং চামচ তঙ্খায় ১, চনম মনাও ৬-৭ নিংথিনা তকখায়গনি। মোরোক অঙাঙবা (অকংবা) ১ কূপ্না শোইগনি। থুম খরা, গূন মোরোক মকূপ খরা সোয়া সোস চামচ ১ কূপ্না শোইরবা ফদিগোম চামচ ১।



**শেম-শাবা, থোংবগী মওং :** শেম-শাবগী মওং (থোংবা) : পাত্রদা থাউ হাপচিল্লগা শাহনগনি। য়েরুম অনৈবদু হাপচিল্লগা মিনিট অমা ঙৌগনি। শিং, চনম অমসুং মোরোক অঙাঙবা হাপচিনবা য়ারে।

মদুগী তুংদা চাক (অকাম্বদু) হাপচিল্লগা পাত্রদু পায়রগা ঙৌগনি। থুম, গূন মোরোক অমসুং সোয়া সোস হাপচিনবা য়ারে। ফদিগোম অশোইবদু হাপ্লগা চাবা য়ারে।



ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# মায়গী ষ্টীমরশিং শিজিন্নদুনা উনশা ফজহনবা



মায়গী ষ্টীমরশিং (ফেসিয়েল ষ্টীমরশিং) অসি নহাক্কী উনশাবু য়াম্না থুনা তগৎ-তগৎ তেক্লা, মঙাল য়াওনা অমসুং মশা-মউ ফনা থম্নবগী খ্বাইদগী লাইবা পাম্বৈশিংগী মনুংদা অমা ওইবা য়াই। নহাক্কী মায়গী উনশাদা ঈ চেনবা হেনগৎহনবনসু নঙোন্দা কুচু শেংনা ফজবা মায়থোং চেলহনবা য়াই। মায়দা অসিগুম্বা মনিল কামশিনবা হায়বসি তুখোং হাংদোকহনবা, উনশাবু ঈংথহন্নবগী পাম্বে অমনি অমসুং ফেসিয়েল ষ্টীমশিংনা মরু ওইনা উনশাবু হুমাং থোকহল্লি, তুখোংশিং হাংদোকহল্লি, শ্বর হোলহল্লি অমসুং মায়গী উনশাগী সেলশিংদা ব্লদ সার্কুলেসন ফগৎহল্লি।

মনিলনা মায়গী উনশা ফাওনা চঙখিবগা লোয়ননা অমোৎ-অকায়শিং শেংদোকই অমসুং ব্রেকআউটস, ব্লেক হেদস অমসুং অতৈ উনশাগী লায়নাশিং থোকহল্লিবা টোক্সিনশিং লৌথোকই। মায়গী ষ্টীম অসি অরাইবা মওংদা স্কিন ক্যের তৌনবগী খ্বাইদগী ফবা পাম্বে ওইরবসু অমসুং মসি ষ্ট্রেস, লোক থুংবা অমসুং খুল্লাইগী সিম্পটমশিং ফহনবদা কান্নরবসু নহাক্না নহাক্কী স্কিন টাইপ য়েংলগা চানবা ষ্টীমর শিজিন্নগদবনি।

নহাক্কী উনশাদু অঙাং মচা (বেবী) গী উনশাগা মান্নবা ওইরবদি মদুগীদমক ক্যের লৌবদা থোইদোক হেন্দোক্লা মিংয়েং চঙগদবনি। অসিগুম্বা মতাংদা নহাক্না নহাক্কী ষ্টীমর অদুদা কেমোমাইল লৈ হাপকদবনি অমসুং মিনিট খরা ঙাইগদবনি। ষ্টীমরগী টাইমরদু মিনিট ১০ দা থম্লগা হৌজিক নহাক্কী নমায়দু ষ্টীমরগী মথক্তা ইঞ্চি ১০ ৱাংখৎনা লৈগদবনি অমসুং নকোক্তনা টাৱেল অমা য়েংকদবনি। নহাক্কী নমায়দু টাৱেলনা মিনিট খরা কূপশিল্লগা অমুক লৌথোক্কদবনি। নমায়দু অঈংবা ঈশিংনা চাইশিল্লগা চামথোক্কদবনি। মদুগী তুংদা মিনিট ১৫ দগী ২০ ফাওবা মাস্ক অমা শিজিন্নগদবনি।

উনশা সেন্সিটিভ ওইবা মীওইশিংদি থা অমদা ফেসিয়েল ষ্টীম অমুক্তগী হেন্না চথরোইদবনি মদুসু সেসন অমদা মিনিট ৪ দগী ৫ ফাওবদগী হেল্লোইদবনি। উনশা ঈং-ঈং লাওনা নুংঙাইনবগীদমক্তা নহাক্কী ষ্টীমর অদুদা রোজৱাটর হাপকদবনি।

নহাক্কী উনশাদু ওইলি ওইরবদি নহাক্কী ষ্টীমর অদুদা অলো বেরা অমদি এপল সাইদর ভিনেগর হাপকদবনি। মনিল কাল্লবা মতুংদা ওইলি স্কিনগী ওইনদি সি এস মাস্ক হাপকদবনি অমসুং নমায়দু ঈশিং অঈংবনা থাদোক্কদবনি।

নহাক্কী স্কিনদু দ্রাই ওইরবদি নহাক্কী ষ্টীমর অদুদা কেমোমাইল নৎত্রগা রেদ ক্লোভর ওইল খরা হাপকদবনি। নহাক্কী গরং-গরং লাওবা উনশাদু হাইদ্রেট তৌনবা ষ্টীমর শিজিন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা দীপ মোইসচুরাইজিং ট্রিটমেন্ট তৌগদবনি।



# চীঙ্গাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্নি - হার্ট, দাইবেটিজদা কান্নরবা ভেলন্দ্রী



ভেলন্দ্রী অসি মতম কুইনগী মমাঙদগী হৌনা হকচাংগীদমক্তা খনবা মীওইশিংনা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মনা-মশিংগী চীঙ্গাক্কী আইটেম অমা ওইনা লৌনদুনা লাক্লি। ভেলন্দ্রীদা পোটাসিয়ম, ভিটামিন বি, ভিটামিন সি, ফোলিক এসিদ অমসুং কেলসিয়ম য়াওই। কেলোরি য়াম্না নেম্বগা লোয়ননা দাইটরি ফাইবরগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওই। হন্দক্তা থিজিনবদা নহাক্কী চীঙ্গাক্তা ভেলন্দ্রী য়াওহনবনা পীবা থাদোকপা য়াদবা কান্নবা খরা খন্নরকপা হৌরে। ভেলন্দ্রীনা টাইপ ১, টাইপ ২ অমসুং জেষ্টেস্নে দাইবিটিসকী কেসশিংদা ব্লদ সুগর মেনেজ তৌবদা মতেং পাংই হায়বগী ঈঙ্গিৎ ফংলে। দাইবিটিস লৈবগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ভেলন্দ্রীনা দাইবেটিসকী দাইরেক্ট ট্রিটমেন্ট ওইহনবা য়াগদ্রা হায়বসিদা কন্না থিজিন্নরক্লে।

ভেলন্দ্রী মহীনা (ঈশিংদা ভেলন্দ্রী তিংবগী) মবুক মনুংদা মচা চেল্লবা জেষ্টেস্নেল দাইবিটিস লৈবা উচিশিংগী ব্লদ সুগর লেভেল ফগৎলকপা থেংনখি। টর্কিদদি মমাঙঙৈদগী হৌনা ভেলন্দ্রী মরুনা দাইবিটিস লায়েংদুনা লাক্লি।

ভেলন্দ্রীগী কান্নবা খরা য়েংসি। মসিদা ফাইবর মরাং কায়না য়াওই। ফাইবর মরাং কায়না য়াওবা মরম্না ভেলন্দ্রীবু চাবা তুম্নবগী চীঙ্গাক ওইনা স্পেসিয়েলিষ্টশিংনা রিক্কমেন্দ তৌই। থিবোং-থিরিন নিংথিনা লেং-ওৎহনবদা ভেলন্দ্রীনা মতেং পাংই। ভেলন্দ্রীদা য়াওবা ফোলেটসনা





পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিংগী ন্যুরেল ট্যুব দিফেক্টশিং হন্থহল্লি।

ভেলন্দ্রীদা য়াওবা ভিটামিন কে অসি ব্লদ ক্লোটিং (ঈ মপং ওল্লকপা) গী প্রোসেসতা কো-ফেক্টর অমনি অমসুং মসিনা হকচাংগী শরদ্ধশিংগী মপাঙ্গল হেনগৎহল্লি। অজমা হায়বদি হরা-কংখুগী লায়নাসু ভেলন্দ্রী মরাং কায়না চারগা লায়েংবদা কান্নে। থিবোং-থিরিননা ঈশিং মরাং কায়না চূপশিনবদা মতেং পাংবা মরম্না ভেলন্দ্রী চাবনা খোঙ হাম্বা য়াদবা ফহল্লি। লায়না খুদিংমক্কী হৌরকফমদি কোলোননি হায়নৈ। নহাক্কী চীঙ্গাক্তা ভেলন্দ্রী য়াওবনা কোলোন কেন্সর অমসুং মরী লৈনবা লায়নাশিং থিংবদা মতেং পাংই। থোংলগা নৎত্রগা ভেলন্দ্রী হিংনা চাবনা হকচাং নোইখৎপা থিংবদা মতেং পাংই। মসিগী মনা-মশিং অসিনা কলেষ্টেরোল চূপশিনবগী চাং হন্থহন্দুনা হার্টকী লায়নাশিং অমসুং ঈদা কলেষ্টেরোল ৱাংবগী লায়নাশিং থিংবদা মতেং পাংই।

# ঙ ইহাক্তং পোত্থাবা যাবা য়েংশি

খোমজিনবা, লেংজবা -
য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার

## ষষ্ঠি পুজাদা শুমাঙ লীলা

ইবোতোম্বীগী মচাগী ষষ্ঠি পুজাদা শুমাঙ লীলা অমা তৌবনি। লীলাদুগী অরোইবদু হেরো হেরোইন অনীদুনা শিমিন্নরগা লোইশিল্লি। লীলা লোইবগী মীয়ামা হৌগৎনবা হৌরকপদা ইবোতোম্বীনা চেন্থোরক্লগা হায়রকই 'ঐগী ইচাগী অফ-নুংঙাই তানখৎলকপা ষষ্ঠি পুজাসিদা শান্নবা লীলাদা শিরগা লোইশিনবসি কয়া নুংঙাইজদে। থুংনবনা লোইশিনবীয়ু'। মদু তাবদা লীলা পার্টিশিংদু মকোক ঙাওরে। ঙাইহাক খন্নরগা লীলা পার্টিনা য়ানি য়ানি ঐখোয় য়ুম্বুগী ফনবা তৌজগে হায়রে। ময়াম ফমথনরে, হেরো হেরোইন অনীদুসু হান্না শিবগী মওংদা তাদুনা লৈরে। তাঞ্জা অদুদা পার্টি অমনা যোম শাদুনা থোরক্লগা হায়রকই 'ঐ নখোয় অনীগী থৱায় লৌবা লাকপা যোমনি। হৌজিক নখোয় অনীগী শিবগী মতম ৱাৎলি অদুনা ঐনা নখোয় অনীগী থৱায়সে অমুক হনবীরবনি। চৎলো চৎলো নখোয় অনী নুংশি-ৱায়থুংনদুনা নুংঙাইনা পাঞ্জরো'। মদু তাবদা হেরো হেরোইন অনীদু স্লো মোসনদা হৌগৎলগা লীলা শেম্ফমলোমদা অদুম চেনশিনখ্রে।

- নিং তম্বা শর্ম্মা।

## নম্বর টু নান্না তৌরম্বদু অদু মঙাইরে

ভোট লেপ্পা কেন্দিদেট ময়ামগী অপুনবা মীটিং অমদা অসুম্না কেন্দিদেটশিংনা মানা মানা থোকপা মওংদা মাইক্রোফোনদা মশা থাগৎ-থাগৎতুনা ঙাঙলম্মী :

ঐনা থোং অদু শারম্বনি।
ঐনা উকৃ অদু পাল্লম্বনি।
ঐনা নুঙ চাইরম্বনি।
ঐনা কম্পোর য়েল্লম্বনি।
ঐনা পেন্সন পীরম্বনি।
ঐনা কোয়লাস থারম্বনি...
ঐনা... ....!!!

কম্পিয়র তৌরিবা নুপাদুনা মখোয় ময়াম্না ঙাঙবদু হেক লোইখিবগা অসুম্না লাউথোক্লক্লমখি -

কম্পিয়র : ...অদুগা ... ঐখোয় কেন্দ্রগী ঐনা ঐনা তৌজখিবা হায়ববু ... নখোয় ময়াম্না কোয়লাস থাবা লম্বীগী মপান্দা নম্বর টু নান্না তৌরম্বদু মঙাইরে।

## খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং হাকাম চনবগা লৈনবা মরী




করিগীদমক্তা ঐখোয়না হাকাম চল্লিবনো হায়বা ৱাহং অসিগী চপ চাবা পাউখুম পীবা হায়বসি লাইদে, তৌইগুম্বসুং খ্বাইদগী নৌবা রিছার্চনা হাকাম চনবনা ঐখোয়গী ব্রেনগী টেম্পরেচর রেগুলেট তৌবদা মতেং পাংই হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীরি। লীল অমসুং ঙাসু হাকাম চল্লি, হুই-হৌদোংসু মসি তৌই। মমাগী পুক্নুংদা লৈবা অঙাং ফাওবা হাকাম চল্লি। তান চারবদি হাকাম চনবগী পিকচর অমা (আর্টিকল অসিদা য়াওরিবসি) উরগা নহাকসু হাকাম চন্নিংলক্লম্বা য়াই নৎত্রগা চল্লম্বা য়াই। এনিমেল কিংদমদা লৈরিবা থৱায় পানবা খুদিংমক হাকাম চনবা উই। তৌইগুম্বসুং অসুম্না পাক শন্না তৌনবা, উবা ফংবা হাকাম চনবা হায়বা ফিচর অসি করিদগী করম্না থোক্লক্লিবনো হায়বসি সাইন্টিষ্টশিংনা হৌজিকসু এক্সপ্লেন তৌবা ঙমদ্রি। মসিগা লোয়ননা করিদগী হাকাম চনবা অসি সোসল মেম্মলশিং ওইবা মীওইবা অমদি মখোয়গী খ্বাইদগী নকপা মরী-মতা শাশিংদা (এনিমেলস) অমগা অমগা লৌনগল্লিবা করিগীনো হায়বসিসু সাইন্টিষ্টশিংনা পাউখুম পীবদা ৱাবা ৱাহং ওইরি। হাকাম চনবগী লমদা থিজিল্লিবা এক্সপার্টশংনসু খ্বাইদগী হেন্না থিজিন্নবা রিছার্চ টোপিক্কি হায়না লৌনদ্রবসু মখোয় হৌজিক ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীবা ঙম্বগী ফীভমদা নকশিল্লক্কে হায়রি।

ঐখোয়না করিগী হাকাম চল্লিবনো হায়বসিগী তোয়না পীনবা এক্সপ্লেনেসন অমদি অসিনি : ঐখোয়না য়া লাউনা কাথোক্লগা ওক্সিজেন মরাং কায়না য়াওবা নুংশিৎ চিংশিল্লি। চিংশিল্লিবা ওক্সিজেনদু ঐখোয়গী ঈচেলদা য়াওখিদুনা ঐখোয়বু মীৎ-না শিংহন্দুনা দেস্কতা উইরম্বদগী হৌগৎহল্লি। মসিগী এক্সপ্লেনেসন অসি তাবদা থাজনিংঙাই ওই, তৌইগুম্বসুং চিলহায়দা থাজনবনি সাইন্সকী বেকিং য়াওদে। সাইকোলোজিগী প্রোফেসর ষ্টিভেন প্লাটককী মতুং ইন্না, হাকাম চনবনা ঈচেলদা য়াওরিবা ওক্সিজেনগী লেভেলদা, ব্লদ প্রেসরদা নৎত্রগা হার্টকী রেটতা শোকহল্লি হায়বগী ইভিদেন্স লৈতে।



হাইপোথেসিস অমগী মতুং ইন্না, হাকাম চনবগী অশেংবা ফঙ্কসনদি মীওইবগী হকচাংগী খ্বাইদগী কমপ্লেক্স ওইবা সিষ্টেম - ব্রেন ওইবা য়াই। খয়াৎ অরৈবমখৈ তিংথোক্লগা, য়া লাউনা কাথোক্লগা শ্বর শাংনা হোঞ্জিনবা অমসুং মতুংদা শ্বর নেম্না হোন্দোকপা হায়বসি টেম্পরেচর রেগুলেট তৌবগী মেকানিজম ওইবা য়াই। উচিদা থিজিনবদা হাকাম চন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা ব্রেনগী টেম্পরেচর হেনগৎলম্বা থেংনখি। অপীকপা থৱায় পানবা অদুনা ময়া লাউনা কাথোক্লগা অমুক্তং শ্বর শাংনা চিংশিনখিবদগীদি টেম্পরেচর হন্থরকখি। মসিনা হাকাম চনবা অসি ঈদা ওক্সিজেন হেনগৎহনবগী মেকানিজম ওইনা লৌবা য়াবদগী ব্রেন ঈংথহন্নবগী ফঙ্কসন অমা ওইনা লৌবনা হেন্না চূশিন্নগনি হায়বা উৎলি হায়রি।



হকচাং ফজনা

## অপোম্বা - তোয়না নাগনবা উনশাগী লায়না

# স্কিন এবসেস



স্কিন এবসেসপু ঐখোয়না অপোম্বা/পোম্বা হায়না খঙনৈ। পোম্বা হায়রগা ঐখোয়না উনশাগী মমায়দগী নৎত্রগা উনশাগী হেক মখাদগী পোমখৎলকপদুবু খঙনৈ। অপোম্বগী মনুংদা মহৌশানা নাই ওমগল্লি নৎত্রগা ঙৌরুনবা মহী অমা লৈগল্লি। মহৌশানা বেক্টেরিয়াগী ইনফেক্সন অমনা অপোম্বা থোকহল্লি। স্কিন এবসেস অসি হকচাংগী মফম অমদা হেক্তা হৌরকপা য়াই। নাই চাবা অপোম্বশিংসি থোকহল্লিবা খ্বাইদগী কম্মন ওইবা বেক্টেরিয়াদি ষ্টেফিলো-কোকস ওরিয়সনি। বেক্টেরিয়া অসি উনশাদা থোকপা অশোক-অপন নৎত্রগা শমখোং ফাওদুনা চঙখ্রগা ইনফেক্সন লাকপদগী স্কিন এবসেস নৎত্রগা অপোম্বা ওইরকই।

ইনফেক্সন থোকহল্লিবা ওর্গানিজমশিং নৎত্রগা ফোরন মেটরিয়েলনা হকচাংদা ইনফ্লেম্মেটরি রেস্পোন্স অমা লাকহল্লি। মদুনা হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টেমবু ইনফেক্সন লাকশিন্নবা নৎত্রগা ইনফেক্সন অদু হকচাংগী অতৈ মফমশিংদা শনে দাকখিদনবা অহোবা নৎত্রগা কেপস্যুল অমা শেমহল্লি। অপোম্বগী নাই হায়রিবসি অশিবা সেলশিং, প্রোটিনশিং, বেক্টেরিয়া অমসুং অতৈ হকচাংগী সেলশিংগী লেমহৌবা মখাকশিংনা শেম্বনি। মসিগী এরিয়া অসি চাউথোরকই অমসুং অকোয়বা উনশাগী শরুক অদুদা ইনফ্লেমেসন থোক্লকই।

অপোম্বা মচা অমা উনশাদা ঙৌরকপা হায়বসি ঐখোয়না লুনা খঞ্জিন্নিংঙাই ওইদে। অসিগুম্বা অপোম্বশিং অসি ঐখোয়না য়ুমদা ট্রিটমেন্ট তৌজবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মেথিসিলিন থাবদা চঙদবা ষ্টেফিলোকোবস ওরিয়সতি ঐখোয়না খরা লুশিনবা অপোম্বনি হায়না লৌগনি।

অহানবদা উনশাদা শোকপদা, পায়শিনবদা শাবা অমসুং নাবা ফাওবা অঙাঙবা মফম অমা ওইনা হৌরকপা অপোম্বা অসি কুইরক্লগা মচীন নাইরকই। অপোম্বা অয়াম্বা করিমত্তা য়েংশিন্দনা থম্বা তারবদি ঐখোয়গী টিস্যুশিংগী মনুংদা লুথনা শোকচিনখিবা য়াই। ইনফেক্সন অদু ঈগী ঈচেলদা ফাওবা চঙখিবা য়াই। ইনফেক্সন অদু মখা তানা অসুম শন্দোকখিবা তারবদি লাইহৌ, হকচাং থুক-থুক লাওবা, ওবগা লোয়ননা নাবা হেননগৎলকপা অমসুং উনশা ঙাঙবসু হেনগৎলকপা য়াই।

প্রাইমারি ক্যের প্রোভাইদর নৎত্রগা দর্মাটোলোজিষ্ট অমনা স্কিন এবসেস য়েংবা য়াই। অপোম্বদু চাউরবদি দোক্টরনা হীদাক থাদুনা মাইনর ওইনা থাং থাই অমসুং নাই মেখোকই। অশোকপা এরিয়াদু এন্টিসেপ্টিক সোল্যুসন হাপচিনবগা লোয়না বেন্দেজ তৌই।



অপোম-অতং চপ চানা থিংবা ঙমদবদি য়াই অদুবু চেকশিন-থৌরাং ওইনা সাপোন অমসুং ঈশিং শিজিন্নদুনা উনশাবু চাং নাইনা চামথোক-খোত্তোকপা য়াম্না কান্নে।

মালেমগী অঙকপশিং

# রোকি মাউন্টেন নেসনেল পার্ক



রোকি মাউন্টেন নেসনেল পার্ক অসি যু এসকী কলোরাদো ষ্টেটকী নোর্থ-সেন্ট্রেল রিজনদা লৈবা রোকি চীংজাউশিংগী মমাঙথংবা রেঞ্জদা লৈবা নেসনেল পার্ক অমনি। পার্ক অসিদা চিং-লেম্লবা চীংজাউগী শক্তমশিং, চীংগী পাৎশিং, মখল-মখা কয়াগী লম্লক্কী শা-উচেকশিং,মখল-মখা কয়াগী ঈশিং-নুংশিৎ অমসুং মখল-মখা কয়াগী উগী উমংশিংদগীনা উ অমত্তা হৌদবা উন্না পুংকৃপকৃপশিনবা চীংগী টুন্দ্রা ফাওবগী ইনভাইরোনমেন্টশিং লৈ। পার্ক অসি বুল্ডর, কলোরাদোগী অৱাং-নোংচুপতা লৈ অমসুং মসিদা কন্টিনেন্টেল দিভাইদ অমসুং কলেরদো তুরেলগী হৌরকফম লৈ।

পার্ক অসিগী ভিজিটর সেন্টর মঙা লৈ। পার্ককী হেদক্বার্টর ওইরিবা বীভর মেদোজ ভিজিটর সেন্টর অসি ফ্রেঙ্ক লোইদ রাইট স্কুল ওফ অর্কিটেকচরনা দিজাইন তৌবা নেসনেল হিষ্টোরিক লেন্দমার্ক অমনি। পার্ক অসি অৱাং অমসুং নোংপোক্তা রুজভেল্ট নেসনেল ফোরেষ্টনা কোইশিল্লি, অৱাং-নোংচুপতনা রৌট নেসনেল ফোরেষ্টনা কোইশিল্লি অমসুং সাউথৱেষ্টতনা অৱাপাহো নেসনেল ফোরেষ্টনা কোইশিল্লি।

পার্ক অসিদা চৎপদা লম্বী অহুম শিজিন্নবা য়াই। মখোয়দুদি যু এস হায়ৱে ৩৪, ৩৬ অমসুং ষ্টেট হায়ৱে ৭ নি। হায়ৱে ৭ শিজিন্নদুনা পার্ক অসি চঙবদি মাইল অমা য়ৌদে। লম্বীসিদা চৎলগা ঐখোয়না লিলি লেক ভিজিটর সেন্টর য়ৌবা য়াই। মখা পাংনা অসুম চৎলগনা রুট ৭ তগী কেম্পগাউন্টস য়ৌই, লোংপীক অমসুং ৱাইল্ড বেসিনসু থেংনগনি। হায়ৱে ৩৬ না নোংপোক থংবা নাকলদা পার্ক অদুদা চঙই অমসুং মাইল খরা চৎলগা লম্বীদু হায়ৱে ৩৪ তারগা লোইশিল্লি। পার্কতু ফাওরগা চৎপা ট্রেল রিজ রোদ হায়না খঙনবা হায়ৱে ৩৪ অদু নোংপোক্তা ইষ্টেস পার্ক টাউন্দগীনা খা নোংচুপতা গ্রান্দ পাৎ ফাওবা চেল্লি।

কলোরদোগী নোদর্ন ফ্রন্ট রেঞ্জদা লৈরিবা রোকি মাউন্টেন নেসনেল পার্ককী পাক চাউবা একর ২৬৫,৭৬১ হায়বদি স্কৱার কিলোমিটর ১,০৭৫,৫০ নি। কন্টিনেন্টেল দিভাইদনা মচেৎ তাহল্লিবা পার্ক অসি নোংপোক অমসুং নোংচুপথংবা শরুকশিং অদু তোঙান-তোঙানবা কেরেক্টরশিং চেল্লি। পার্ক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক অদু গ্লেসিয়রনা থল্লবা চীংদোনশিং অমসুং সর্কশিংগা লোয়ননা অতৈ মায়কৈশিংগা চাংদম্নবদা কন্না লৈ। পার্ক অদুগী নোংচুপ থংবা সাইদ অদুনা চোৎপা হেল্লি অমসুং অয়াম্বা শরুকশিং অশংবা পান্বীশিং-উ-ৱাশিংগী উমংশিংনা কৃপশিল্লগা লৈ।

পার্ক অদুদা লম্বী মাইল কিলোমিটর ৫৭৮, পাৎ ১৫০ অমসুং খোং অমসুং তুরেল কিলোমিটর ৭২০ শাংনা লৈ। পার্ক অদুদা ফুট ১২,০০০ দগী হেন্না ৱাংবা মমিং থোল্লবা চীংদোল ৭২ লৈ। পার্ক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা পোইন্ট অদু ফুট ১৪,২৫৯ ৱাংই; কুমজা ২০০২ গী মমাঙদা লৌখিবা সর্ভেশিংনা চীংদোল অদু সি লেভেলদগী ফুট ১৪,২৫৫ ৱাংই হায়বা উৎখি। পার্ক অদুগী অৱাং থংবা সাইদকী মন্মি রেঞ্জদা অপীকপা ফুট ১৩,০০০ গী চীংদোল কয়াসু য়াওখি। এন্দ্র্যুজ, স্পাগস, টয়ন্দল, টেলরনচিংবা অৱাংবা চীংগী সর্কশিংদা পার্মিনেন্ট স্নোফিল্ডশিং অমসুং অপীকপা গ্লেসিয়র কয়ামরুম লৈ।

রোকি মাউন্টেন নেসনেল পার্কতা মখল-মখা কয়াগী লম্লক্কী শাশিং ফংবগা লোয়ননা মফম অসিগী ক্লাইমেটসু খেন্নবা ফীভম কয়া উবা ফংই। পার্ক অসিদা জুলাই অমসুং ওগষ্টতা খ্বাইদগী হেন্না শাই। কালেনগী মতমদা নুংথিলদা নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়ননা অখাক-অরাও তাবা য়াওই। নিংথমথাগী উন কন্না তাবগী মতমনা ওক্টোবর থাখায়দগী এপ্রিল ফাওবা ওই। পার্ক অদুগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা নোংপোক থংবা শরুক্তগী নোং চূবা হেল্লি।

পার্ক অদুগী মপুং ওইবা শক্তমদু লোংস চীংদোলনা লাকহৎপা উই। মদু য়ৌবা খ্বাইদগী লাইবা লম্বীদি কিহোল লম্বীনি।



## থাজবরা, থাজদবরা ? অঙকপনা থল্লবা মালেম



- জেসিকা হায়রিবা মিং অসি সেক্সপিয়রনা মার্চেন্ট ওফ ভেনিসতা পুথোকখিবা কেরেক্টর অমগী মমিংনি।
- চহী ৬৬ কী মতমগী মনুংদা মীওইবনা প্লেন তোংদুনা পাইবা হৌরগা থাগী লৈমায়দা তাবা ঙমখি।
- অষ্ট্রোনোমরশিংনা প্লুটো থেংনখিবদগীনা হেভনলি বোদি অসিবু প্লানেট অমনি হায়না লাউথোকখিবা মতম ফাওবদা নুমিৎকী অকোয়বদা মসিনা চৎপা খোঙচৎ মপুং ফাখিদে।
- রসিয়াগী সফের্স এরিয়ানা প্লুটোদগী চাউবা হেল্লি।
- ঈশিং শামুগী (হিপোপোটামসকী) মখোমগী মচু পিঙ্ক ওই।
- অঙাং নুপীমচাশিংগী শান্নপোৎ বর্বিগী ফুল মিংদি - বার্বারা মিলিসেন্ট রোবার্ট কৌই।
- ওক্সফোর্ড য়ুনিভর্সিটিনা অজটেক এম্পায়রদগী চহী লিবা হেল্লি। কেলক্যুলস হৌদোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা হাবার্দ য়ুনিভর্সিটি হান্না লিংখৎলম্মী। হাবার্দ য়ুনিভর্সিটি অসি কুমজা ১৬৩৬ তা লিংখৎখিবা য়ু এসকী খ্বাইদগী লিরবা হায়র এদ্যুকেসনগী ইন্সটিট্যুসননি। কেলক্যুলসতি ১৭ শুবা চহীচাগী অথেংবদা গোদফ্রাইদ লীভনিজ অমসুং ইজাক ন্যুটননা হৌদোক্ত্রিফাওবা লৈরমদে। অহানবা ষ্টার ৱার্সকী ফিল্ম পুথোক্কুনা মীয়ামদা উহনবা হৌখিবা মতমদা ফ্রান্সতা গিলাটিন শিজিন্নদুনা মী হাৎপগী থবক অদুম চথুরম্মী। কুজা ১৯৭৭ কী মেদা ষ্টার ৱার্স মালেম শিন-থুংনা রিলিজ তৌখি। ইকোন কোনবা গিলাটিন শিজিন্নদুনা হাৎখিবা ব্রু হ্বেলগী হার্ট অসি অদুক্কী মতীক চাউই মদুদি মী অমনা অটরিশিংগী মনুংদা ঈরোয়দুনা ফাওদোক-ফাওজিন তৌবা য়াই।
- নহাক্কী জীপ্পরদা 'ৱাই কে কে' হায়না থারিবদু 'য়োশিদা কোগয়ো কাবুশিকিগাইশ' হায়রিবনি।
- ইজিপসিয়নশিং গ্রেট পীরামিদ শাবা লোইখিবা মতুং চহী ১০০০ লৈরগা মেম্মোথশিং মুৎখি। মেম্মোথ অয়াম্বা সিভিলাইজেসনশিং হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা শীখিবা ওইরবসু খৃষ্টকী মমাঙ ১৬৫০ ফাওবা মেম্মোথ খরা হিংখি। মতম অদু ফাওবদা ইজিপকী এম্পায়র তঙ্খায় চনশিল্লক্লম্মী অমসুং গীজাগী পিরামিদশিং অদু মতমদুদা চহী ১০০০ শুরবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা নুপীশিংসু ভোট থাদবা য়াবগী রাইট লৈরমদে।
- নহাক্লা নুমিৎপু হ্বাইট ব্লদ সেলগী সাইজদা পীকশিনহনবা তারবদি অমসুং মিল্কী ৱেবুসু মান্নবা স্কেল শিজিন্নদুনা পীকশিনহনবা তারবদি গেলেক্সি অসি কন্টিনেন্টেল য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সাইজমুক চাউগনি।




*মায় পাকখ্রবশিংনা তোখায়বা থবক অমা তৌবা নত্তে, ময়াম্না তৌনরিবদু অতোপ্পা মওংদা তৌবখক্তনি !*

# কমদৌনা ওইরকখিবগে ?

## মায় পাকখ্রবা মীওইশিং...

**অর্নেষ্ট হেমিংৱে**




অর্নেষ্ট মিলর হেমিংৱে (জুলাই ২১, ১৮৯৯-জুলাই ২, ১৯৬১) অসি অমেরিকান নোভেলিষ্ট, সোর্ট ষ্টোরি ইবা অমসুং জর্নেলিষ্ট অমনি। মহাক্কী ৱাহৈ য়াম্না শিজিন্নদবা অমসুং নুংগী ৱারী ৱাখোং ইশু শুগন দবগী ষ্টাইলনা ২০সুবা চহীচাগী ফিক্সনদা ঈথিল চাউনা পীখি। মহাক্কী এদভেঞ্চরগী পুন্সি অমসুং পব্লিক ইমেজনসু তুংগী জেনরেসনশিংগী ঈথিল পীখি। হেমিংৱেগী ৱারী লাইরিক অয়াম্বা কুমজা ১৯২০ গী মতুং চহী খরা অমসুং কুমজা ১৯৫০ গী মতুং চহী খরগী মনুংদা ফোঙখি অমসুং কুমজা ১৯৫৪ দা মহাক লিটরেচরদা নোবেল প্রাইজ ফংখি। মহাক্না নোবেল তরেৎ, ৱারী মচাগী কলেক্সন তরুক অমসুং নন-ফিক্সন লাইরিক অনী ফোঙখি। অহেনবা লাইরিকশিং ওইনা নোবেল অহুম, সোর্ট ষ্টোরি কলেক্সন মরি অমসুং নন-ফিক্সন অহুম মশা লৈত্রবা মতুংদা ফোঙখি। মহাক্না ইবা ৱারী লাইরিক কয়া অমেরিকান লিটরেচরগী ক্লাসিকশিংনি হায়না লৌনৈ।

অর্নেষ্ট মিলর হেমিংৱে কুমজা ১৮৯৯ গী জুলাই ২১ দা চীকাগোগী চিদাইদা লৈবা ইলিনোইগী ওক পার্কতা পোকখি। মহাক্কী মপা ক্লারেন্স এদমন্দস হেমিংৱে ফিজিসিয়ন অমা ওইরম্মী অমসুং মহাক্কী মমা গ্রেস হোল হেমিংৱে ম্যুজিসিয়ন্নি। মমা-মপা অনীমক লাইরিক-লাইশু মতীক চানা হৈরবা অমসুং ওক পার্ককী কঞ্জার্ভেটিভ কম্যুনিটিদা মীশিংনা ঈকায় খুম্নবা মীশকশিং ওইরম্মী। হেমিংৱেগী মমা খুঙ্গং অদুগী অকোয়বদা কনসর্ট কয়াদা তোয়না শরুক য়ারম্মী। হেমিংৱেনা মপুং মরৈ ফানা চাউরক্লবা মতমদা মমাগী ঈশৈ-নোংমাইদা লূপচবগী থৌওংদুদা মহাক হৈনরকখিদে হায়নৈ। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী বাইওগ্রাফর মাইকেল এস রিনোল্ডসনদি। মমাগী ইনর্জি অমসুং করিগুম্বা হিরম অমদা কা হেন্না থৱায় য়াওশিনগনবগী মগুণ অদু তম্নবা কন্না হায়মনবনা হেমিংৱেদা নুংঙাইহনখিদে অমসুং মদুনা মমা-মচাগী মরক্তা কনফ্লিক্ট লাক্লবগী মরম ওইখি। তৌইগুম্বসুং হেমিংৱেনা তুংদা মমানা তমহনখিবা ম্যুজিক্কী লেসনশিংদু মহাক্কী ৱারী লাইরিক ইবগী থবক্তা য়াম্না কান্নে হায়না ফোঙদোক্লমখি।

কুমজা ১৯১৩ দগী ১৯১৭ ফাওবা মহাক ওক পার্ক অমসুং রিভর ফোরেষ্ট হায় স্কুলদা তমখি। স্কুল তন্লিঙৈদা মহাক্না স্পোর্টস কয়াদা থৱায় য়াওনা শরুক য়াখি, স্পোর্টশিং অদুদি বোক্সিং, ত্রেক এন্দ ফিল্ড, ৱাটর পোলো অমসুং ফুটবোলনি। মহাক ইংলিশ ক্লাসশিংদা য়াম্না থৱায় য়াওবগা লোয়ননা ময়ামদগীসু মীথোই-মীহেল্লম্মী। মতম অসিদা মহাক্না ওর্কেষ্ট্রাগা লোয়ননা জর্নেলিজমগী ক্লাসশিংসু য়াওরম্মী।

অহানবা মালেমগী লাঞ্জাউগী মতম কুমজা ১৯১৮ দা রেদ ক্রোসনা কান্সাস সিটিদা পাঙথোকপা রিক্রুটমেন্টদা শরুক য়াবদা মহাক এম্বুলেন্স ড্রাইভর ওইনা খনখি অমসুং ইটালিদা থবক তৌখি। মোর্টারনা পানবদগী শোক্তুনা মহাক কুমজা ১৯১৯ দা ময়ুমদা হল্লকখি। চিকাগোদা মহাক থাগী চেফোঙ কোওপরেটিভ কম্মনৱেলঠকী এসোসিয়েট এদিটর ওইখি।



# [illegible]



[illegible]

[illegible]

## পার্ফোর্মিং আর্ট সেন্টর ঙাইখোং খুল্লেনগী

# মৈতৈ পুঙ চোলোমগী চাংদম্নবা

নানি



হৌখিবা ওগষ্ট ২৮, ২০১৬ তা ঙাইখোং খুল্লেনদা মণিপুরদা অহানবা ওইনা পার্ফোর্মিং আর্ট সেন্টর, ঙাইখোং খুল্লেননা শিন্দুনা ষ্টেট লেভেল পুঙ চোলোম অথোই-অহেন চাংদম্নবা ২০১৬ হায়বা অমা মায় পাক্লা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ওইনাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ডা. আই ইবোহনবী, নাওরিয়া পাখঙলাকপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ আর কে অনন্দ, কোন্থৌজম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, কে শরত, জে এন এম দি একাদেমীগী হান্নগী প্রধান গুরু ওইরম্বা পদ্মশ্রি এস থানিল, সী আই কোলেজ বিষ্ণুপুরগী প্রিন্সিপাল অমদি নেহরু যুব কেন্দ্র থৌবালগী কো-ওর্দিনেটরনা অথোইবা মীথুংলেন, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুরগী মফম কয়াদগী মৈতৈ পুঙগী অখন্নবা নহা ওইবা অমদি মীয়ায় চল্লবা আর্টিষ্টশিংনা পুংবা-পুংবা শেমদুনা চোলোমগী অথোই-অহেন তান্নবা অদুদা শরুক য়াখি। মণিপুরদা ইনৌ নৌবা মখলগী চাংদম্নবা অমা ওইখিবা থৌরম অদুদা মৈতৈ পুঙগী আর্টিষ্টশিং অমদি মসিগা শাগোন্নরিবা আর্ট/কলচরদা খমথেংনা শৌগৎপা অমদি পুক্নিং থৌগৎপা অদুগী শক্তম অমা ময়েক শেংনা উবা ফংখি। থৌরম অদুবু মায় পাক্লা শিনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখ্রবা অমদি হুমাং কাংনা চেঞ্জা-চোংজখিবা পার্ফোর্মিং আর্ট সেন্টর, ঙাইখোং খুল্লেনগী নহা ওইরিবা থৌমীশিংবু অখন্ননা থাগৎতবা ঙমদে।

মণিপুর হায়বসি কাঙলুপ ফুরুপ কয়ানা পুন্না খুন্দা লৈতামিন্নবা লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম অমা ঙসি ফাওবা ঙাক্তুনা মৈনা ৱাই তাংনা শম পরিং নাইনা চথুরক্লিবা ফজখ্রবা চঙখোল্লবা চীংলৈবাক্কী অপীকপা লমদম অমনি। কাঙলুপ খুদিংগী মশা মশাগী ওইবা নাৎ-শক্তমগা শাগোন্নবা ঈশৈ-জগোয় অমদি মদুগা লোয়নবা মখল কয়াগী ম্যাজিকেল ইন্সট্রুমেন্ট লেঙদনা লৈজবা নাৎকী ওইবা অৱাংবা থাক্তা লৈরিবা ষ্টেট অমনি। ইন্দিয়াগী ওইবা কলচরগী থৌরম/ফেষ্টিবেল অমা শিনবদা মণিপুর কলচরগী শরুক মচেৎ অমত্তা ওইরবসু য়াওদ্রবদি মপুং ইফা-ফাদে হায়নরিবা লমদম অমনি। অদুগুম্বা শিংথানিংঙাই ওইরবা মখল-কয়াগী নাৎকী ওইবা ফজবা কয়াদুগী মরক্তা, ময়ায় চন্না থেংথরক্লবা মতম, লমদমসিদা পানখিবা নিংথৌরোল কয়া কয়াগী মতমদগী নাৎকী ওইবা ফজরোল কয়া মতম মতমদুগী অখঙ-অহৈশিংগা তান্নদুনা শেমগৎতুনা হেন্না মপুং ফাহন্দুনা লাকখি হায়বগী পুৱারী ময়েক লানা লৈরি। মসিগী মনুংদা রাজশ্রি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা শেমগৎলকখিবা নট সঙ্কীতন, জগোয় রাসকী হেন্না মপুং ফারকপা তাঙ্কক অসিমদি তান মেন, তাম্থা নাইবা পুঙলোন, মদুগা শাগোন্নবা হকচাংগী ফীরেপ, শাথুপ, চোলোম অঙকপা ফংনা ফজরবা কয়া অসি মালেমগী মীওই কয়ানা ঙক্তুনা লৈরিবনি। লমদম অসিগী মার্সিএল আর্টকী মশকপু অমদি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা শা-ঙা, থৱায় পানবা জিব কয়াগী খুচৎ শাথেক, শওং অমদি ফীভম মতৌ কয়া লৌদুনা ঐখোয়গী পুঙ চোলোমদা পুঙলোনগা শাগোন্ননা অখঙ-অহৈ ওজা কয়ানা শেমগৎতুনা থম্বীরম্মী। অসুক নিংথিরবা মতীক ময়াই চেল্লবা কলচরগী মশক অমা শাগৎখ্রবা মৈতৈ পুঙ অসি মায়কৈ কয়াদা হায়বদি ম্যুজিককী লম কয়াদা ঙসিদি শিজিন্নবা হৌরক্লবনি। নট সঙ্কীতন, রাস লিলাদগী হাইদোরক্লগা ঙসিদি মৈতৈ পুঙ অসি হীরম কয়াদা চন্নফম লৈরক্লে। মসিদি মতম্না পুরকপনি, মৈতৈ পুঙনা অতোপ্পা শৈশক শৈদা কয়াদা চঙশিল্লক্তুনা অনৌবা মহাও অমা পীরকপা অসিদি য়াম্না পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। তৌবতবু ঐখোয়গী মৈতৈ পুঙ অসি মশা পীকশিন্না সঙ্কীতনগী কোরদগী হাইদোক্তনা থম্বা হায়বা অসিনা ঐখোয়গী পুঙ অসিগী মতীক ময়াই অদুগী শরুক্তা ময়েং তাহল্লিবনি। অনৌবা পুঙগী আর্টিষ্ট কয়া ঙসি থোরক্লি, অদুবু মখোয় খুদিংমক্লা মৈতৈ পুঙগী হৌরকপা, মসিগী শিজিন্নবা অমদি মসিগী মতীক ময়াই কয়া অসিমদি থোইদোক্লা থিজিন-হুমজিল্লুদনা পুঙলোন খরা ফারগা, চুম্নগী শেন্দান লম্বীরোমখক্তদা চিংনবা হোৎনবা অসিমদি থোইদোক্লা তুংলমচৎতা মশা শন্দোক্লবগী ফীভমদা অৱাবা অমা ওইরি। মসি পুন্নমকশিং অসি খঙনা পার্ফোর্মিং আর্ট সেন্টরনা মমাঙ মমাঙদা জগোয়দা ঈশৈগী তান্থাদা চাংদম্নরম্বা অদুদগী নৈথরক্লগা কুমসি চহী অসিদা মৈতৈ পুঙবু য়োকখৎনবা অমদি মসিগী মনুংদা লৈরিবথক-খা নাইবা চৎনরোল অসি কন্নবা হোৎনরকপা মীৎয়েং অসিমক্তি তশেংনা লমদম অসিগী কলচর অমদি তুংলমচৎপু নুংশিজবগী ময়াই অদু উথোরকপনি হায়না লৌবা য়াই। মসিগীদমক অমুক্কসু হন্না পি এ সী, ঙাইখোং খুল্লেনবু থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা পোকই।

পি এ সী ঙাইখোং খুল্লেনগী মেম্বর অদুক কা হেন্না মশিং য়াম্বমক্তি নৎত্রি। অদুগা অয়াম্বনা চহী লৈশিল্লবা অহল-লমন কয়া থোয়না য়াওবসু উবা ফংদে। য়াম্না নহা ওইরিবা ঙাক্তনা চেন-চোংবা উবা ফংই। অদুবু মখোয়গী ৱাখল মীৎয়েং অমদি হোৎনজবগী থাক অদুদি য়াম্না মেচ্যুর ওইরবা অমদি লমদম অসিগী কলচরবু তশেংনা নুংশিজবা, লোয়ননা তুংলমচৎকী পুন্সিরোলদা ঐখোয়গী শক্তমবু মাংহন্নিংদবগী মমি তারিবা অসিমদি অতৈ লমগী নহাশিংদা কয়া থোয়না থেংনদবদৌনা তৌরি। মমাঙদা ঙাইখোং খুল্লেন হায়বা লমসিদা অহল-লমনশিংতগী ওইবা মতম ঈশৈ চাংদম্নবা অমসুং খুল অসিদা লৈবা অতোপ্পা ওর্গনাইজেসন অমনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থেংনখ্রে। থৌরম অদুগী মতাংদা ৱারেংজরিবশিংনসু খুল অসিগী মীয়াম পুন্নমকশিংগী ওইবা আর্ট এন্দ কলচরগী মায়কৈদা কলেক্টিব ইফোর্টকী মতাংদা খুঞ্জা পুন্নমকশিংগী তোপ-তোপ্পা মীৎয়েং অমদি ৱাখলগী মতাংদা ইদুনা ফোঙজখিবা লৈখ্রে। মখা তানা অসিগুম্বা অনৌবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা মৈতৈ পুঙ চোলোমগী চাংদম্নবা অসিমসু অঙকপা অমা ওইনা থেংনরি। চাংদম্নবা অসিনা নৌনা হৌরক্লিবা আর্টিষ্টশিংদা পুক্নিং থৌগৎপা অমদি মৈতৈ পুঙগী মরমদা হেন্না খঙহন্ননবগী অকনবা ঈথিল অমদি শোয়দনা পীরে হায়না লৌবা য়াই। তৌবতবু কেটগোরি খায়দবনা মরম ওইদুনা নৌনা শিন্দম্লক্লিবশিংনা মেচ্যুর ওইরবশিংগা পুন্না চাংদম্মিন্নবগী খুদোং চাদবা খরদি থেংনদবা নত্তে। মতুং তারকপদা চহীগী মতুং ইন্না কেটগোরি খায়দোক্লগা শিল্লগদি হেন্না অফবা অমদি য়াম্না ফীদম্লিংঙাই ওইবা থৌরম অমা শোয়দনা ওইরগনি। চাংদম্নবগী জুরি ওইরিবশিংনা শরুক য়ারিবশিংদা মৈতৈ পুঙগী মরমদা ৱাহং হংবদু দিফরেন্ট এঙ্গলদগী হংলগদি হেন্না ফগনি। চপ মান্নবা ৱাহংশিং পার্টিসিপেন্টশিংদা হংবনা তাকথোক্লবা ৱাহং অমা হংবগুম্না ফাওরিবা অসিদগী কনবা ঙমগনি। লোয়ননা নৌনা হৌরক্লিবা আর্টিষ্টশিং অমদি মীয়ামদা ঐখোয়গী ফজখ্রবা কলচর অসিগী মরমদা হেন্না মমুৎ তানা খঙহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থমজগে।

পুন্নমকশিং অসি লৈরগসু অসিগুম্বা অখন্নবা পাক-পাক শিন্দবা চাংদম্নবা অমা লৌখৎতুনা তৌরকপা অসিমদি থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি।

